পাকিষ্টান্না অনৌবা মখলগী বাবর ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি): পাকিষ্টান্না ঙসি কনভেন্সনেল অমদি নন কনভেন্সনেল ৱেপন পুরগা কিলোমিটর ৭০০ শান্না কাপ্পা ঙম্বা বাবর ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে।

আর্মি ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, বাবর ৱেপন সিষ্টেম-১(বি) না কংফাল অমদি ঈশিংদা লৈবা টার্গেটতা চপ চানা পালহনবা ঙম্লে। দিজিটেলশিং, মেটচিং এন্দ এরিয়া কোরিলেসন (দি এস এম এ সী) টেক্নোলোজি য়াওবা মরম্না মিসাইল অসি তোঙান তোঙানবা টার্গেটতা চপ চানা পালহনবা ঙম্মী। জি পি এস নেভিগেসন য়াওদ্রবসু পালহন্নিংবা মফমদা চপ চানা পালহনবা ঙম্মী হায়না আর্মিগী ষ্টেটমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্ট্রেটেজিক প্লান্টস দিভিজন (এস পি দি) গী দিরেক্টর জেনরেল, নেসনল ইঞ্জিনিয়ারিং এন্দ সাইন্টিফিক কম্মিসনগী চ্যেরমেন, এস পি দিগী সিনিয়র ওফিসরশিং অমসুং ষ্ট্রেটেজিক ওর্গনাইজেসনগী সাইন্টিষ্ট কয়া চাং তৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা লৈবাক্কী মতেং য়াওনা নাইতোম শেমগৎচবা বাবর ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্লা চাং তৌখিবদা প্রসিদেন্ট মামনুন হুসেন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকান অবাসিনা সাইন্টিষ্ট অমদি ইঞ্জিনিয়ারশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১২ গী সেপ্টেম্বর ১৭ তসু পাকিষ্টান্না ন্যুক্লিয়ারগী মতিক ময়াই লৈবা বাবর ক্রুজ মিসাইল চাংয়েং তৌদুনা ইন্দিয়াবু মীপায়বা পোকহনখ্রবনি।

বাবর মিসাইলনা ন্যুক্লিয়ার অমদি কনভেন্সনেল ৱার হেদ পুরগা য়েক্লবদা এটেক চথবা ঙম্মী হায়না মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। অনৌবা মখলগী মিসাইল চাংয়েং তৌখিবা অসিনা পাকিষ্টানগী মিলিটরি মপাঙ্গল কনখৎহল্লে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মিসাইল চাংয়েং তৌবগী থৌরম অদু পাকিষ্টানগী ন্যুক্লিয়ার আরসিনেল কন্ট্রোল তৌরিবা নেসনল কম্মান্দ ওথোরিটিনা কুপ্পা য়েংশিনখি। নেম্না পাইবা মিসাইল মখল অদু মল্টিট্যুব মিসাইল লোন্স ভেহিকল অমদগী কাপ্পগা চাংয়েং তৌখিবনি হায়না ইন্টর সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সনা ফোঙদোকখি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসনা লুচিংবা নোংচুপ লৈবাকশিংনা সিরিয়াদা মিসাইল ১০০ হেন্না কাপশিন্দুনা এটেক চথখ্রে

দামাসকস, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি): সিরিয়ন রেজিমগী ফোর্সশিংনা কেমিকেল খুৎলাই শীজিন্নদুনা ওপোজিসন্না কন্ট্রোল তৌবা এরিয়াদা মীচম কয়া মীশি মীনা থোকহনখি হায়বগী ৱাথোক মরক্তা যু এস অমসুং মীচংশিংনা সিরিয়াদা ক্রুজ মিসাইল ১০০ হেন্না কাপশিনখ্রে। ক্রুজ মিসাইল অমসুং এয়র টু লেন্দ মিসাইল ১০০ হেন্না যু এস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা নোংথক অমসুং ঈশিং ঈপাক্তগী সিরিয়নগী মিলিটরি অমসুং সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা কাপশিনখি হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা রিয়া নোভোর্টি ন্যুজ এজেন্সীনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

রিয়া ন্যুজ নোভোষ্টিনা মখা তানা রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোলনা হায়খি মদুদি, মিসাইল কয়ামরুম সিরিয়ন এয়র দিফেন্সশিংনা লমখাংদা কাপথোকখি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা সিরিয়াদা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুদা রসিয়াগী এয়র দিফেন্সশিংনা ঙাক শেল্লিবা এয়র বেজ অমসুং নেভল ফেসিলিটিগী অকোয়বদা চৈথেং অমত্তা নংখিদে হায়নসু রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। “যু এস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা কাপশিল্লকখিবা ক্রুজ মিসাইলশিং অদুগী মনুংদা অমত্তা রসিয়ন এয়র দিফেন্সেসনা ঙাক শেল্লিবা জোন য়ৌরকখিদে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

যু এসনা সিরিয়াদা এটেক চথরকখিবা চৈরক্তা রসিয়ানা এটেক অদুগী মতুং তাবা পামদবা মহয়শিং লাক্কনি হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে। অমুকসু ঐখোয়দা অকিবা পোকহল্লক্লে। থোল্লকপা য়াই হায়না মীপায়বা পোক্লরুরম্বা খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোক্তু থোক্লক্লে। অসিগুম্বা এক্সনশিং অসিগী মতুং তাবা মহয়শিং শোয়দনা লাক্কনি হায়না যু এসতা লৈবা রসিয়ন অম্বেদকর এনাতোলি অন্টোনোভনা হায়খি। অদুগুম্বা ফিভমদুগী যু এস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সকী রেস্পোন্সিবিলিটি ওইগদবনি। রসিয়াগী প্রসিদেন্টবু ইকায়বা পীবা য়ারোই হায়না অম্বেদকর অন্টোনোভনা মখা তাখি।

সিরিয়াগী কেপিটেল দামাসকসকী মপানদা কেমিকেল এটেক চথখি হায়না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা চিংনবা ফোঙদোক্লখিবা মতুং চয়োল অমা লৈরগা যু এস, ফ্রান্স অমসুং বৃটেননা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা জোইন্ট ওপরেসন অমা চথরগনি হায়না লাউথোকখি। পনবা য়াই, দামাসকস সিটি মনাক্তা চথখিবা কেমিকেল এটেক অরমসুং মীওই ৪০ হেন্না শিখি। হৌখিবা থাংজগী অঙনবদা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুদা সিরিয়ন মিলিটরি বেজশিং অমসুং কেপিটেল অমদি অকোয়বদা লৈবা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী কেমিকেল খুৎলাইগী ফেসিলিটি অমসুং সিরিয়ন মিলিটরি বেজশিংদা হিট তৌখি। মালেমগী লুচিংবশিংনা ষ্ট্রাইকশিং অদু সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী কেমিকেল খুৎলাইগী ফেসিলিটিশিংগা মরী লৈনবা পোজিসনশিংদা টার্গেট তৌখি হায়না লাউথোকখি। মালেমগী লুচিংবশিংনা অসুম্না লাউথোকখিবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা কেপিলদগী পোকখায়বগী অহৌবা মখোলশিং লাপ্পা তাখি। জোইন্ট ওপরেসন অদুদা কেপিটেলগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা রিছার্চ সেন্টর অমা অমসুং দামাসকসকী অকোয়বদা লৈবা অতৈ মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংদা ষ্ট্রাইক তৌখি তৌইগুম্বসুং হোমসতা লৈবা আর্মিগী দিপোশিংদা টার্গেট তৌখিবা মিসাইলশিংদুদি লমখাংদা কাপথখি হায়না সিরিয়ন ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

ঙাইহাক্কী মমাঙদা ঐহাক্লা যুনাইটেদ ষ্টেটসকী অমার্দ ফোর্সেসতা সিরিয়ন দিক্টেটর বাশর অল অসাদকী কেমিকেল খুৎলাইশিংগা মরী লৈননা টার্গেটশিংদা দিসিজন ষ্ট্রাইকশিং চথনবা ঐহাক্লা যুনাইটেদ ষ্টেটসকী আর্মদ ফোর্সেসতা ওর্দর তৌখি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হ্বাইট হাউসতগী ফোঙদোকখি। মহাক্লা ওপরেসন অদুদা শরুক য়ারিবা ফ্রান্স অমসুং যুনাইটেদ কিংদমগী আর্মদ ফোর্সেসপুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। বৃটেনগী রোয়েল এয়র ফোর্সকী টোর্নেদো বেদটশিংনা কম্বাইন্দ ওপরেসন অদুদা শরুক য়াখি। সিরিয়নগী কেমিকেল খুৎলাইশিংগী ফেসিলিটিশিং মথৌ তৌবা ঙমহনদনবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবনি হায়রিবা ওপেরসন অদুদা জি আর ৪ জে মরিনা হোমসকী নোংচুপতা মাইল ১৫ লাপ্পা লৈবা বেজ অমদা ষ্টৌর্ম সেদো মিসাইলশিং কাপশিনখি।

রোহিঙ্গাগী ৱাথোক : বাংলাদেশতা লৈরম্বা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি ম্যান্মারদা হল্লকপা হৌরে

য়াঙ্গোন, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি): যুনাইটেদ নেসন্সনা চেকশিন ৱারোল পীরকখ্রবসু বাংলাদেশতা লৈরম্বা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা হল্লকপা হৌরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীগী ওগষ্টতা মিলিটরিনা অকনবা কেম্পেন অমা চথবদগী রোহিঙ্গা লাখ ৭ লোম লমখৈ লাম্থোক্তুনা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা যুনাইটেদ নেসন্সনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টপু মীওই ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি।

ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, থাংজ নুমীৎতা রোহিঙ্গা ইমুং অমগী মীওই মঙা রিপাট্রিয়াসন কেম্পতা থুংলরে। মীওইশিং অদুদা মথৌ তাবা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখি। করিগুম্বা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরল্লবদি ম্যান্মারদা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং হল্লকপা হন্দক্লা অহানবা ওইরগনি। রখাইন ষ্টেটতা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই তরা হাৎখিবগী থৌদোক্তগা চেন্নে হায়বগীদমক থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা লান্মী তরেৎ জেলদা থম্বা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক যুম্লোন্নবা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রেফ্যুজিশিংনদি ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী থৌওংদা থাজবা ঙমদ্রি। মীশিং য়ামদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিং অসিবু ম্যান্মারগী অশেংবা সিটিজন ওইনা শক খঙদবা মরম্না বাংলাদেশতগী লোন্না চঙলকপা মীতোপ ওইনা লৌই। থাংজ নুমীৎতা ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংনা বাংলাদেশতগী হল্লক্লবা রেফ্যুজিশিংদা নেসনল ভেরিফিকেসন কার্দ খুৎশিন্নবগী ফোটোগ্রাফ কয়ামরুম এজেন্সীদা থাদোরকখি। হায়রিবা কার্দ অদু পায়বা তারবসু ফুরুপ অসিগী মীওইশিংবু ম্যান্মারগী সিটিজন ওইনা শক খঙবগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

হন্দক্তা যুনাইটেদ নেসন্সনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবগী থৌরাং লৌখৎপা মতম চাদ্রি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। যু এন রেফ্যুজি এজেন্সীনা হায়খি, বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওইশিং ম্যান্মারদা হলহনখিবা মতমদা খুদোংথীবা কয়ামরুম মায়োক্লবা য়াই।

অমরোমদা, এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনলগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা মিলিটরিগী মতেং লৌরগা রখাইন ষ্টেটতা রোহিঙ্গা ফুরুপকী লম মুনবগী থৌওং অমা চথরক্লে। সেটিলাইট ইমেজ অমসুং উহৌবশিংনা ফোঙদোরকপা ৱাফম পল্লদুনা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ অসিনা হায়খি মদুদি, রখাইন ষ্টেটতা ম্যান্মারগী মিলিটরিনা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মথক্তা চথরিবা থৌওং অসি মালেমগী মীয়ামনা খুদক্তা অথিংবা পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। মীওই ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই লাখ তরেৎলোম বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি।

মালিদা যু এন পিছকিপ্পর শারগা লাকপা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথরকপদা লান্মী ১ শিরে

টিম্বক্টু, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি): যু এন পিছকিপ্পর শারগা লাকপা মিলিটেন্টশিংনা টিম্পক্টুদা লৈবা এয়রপোর্ট মনাক্তা এটেক চথরকপদা পিছকিপ্পর অমা শিরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

যু এন পিছকিপ্পরগী ফিজোল শেৎলগা লাকপা মিলিটেন্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অদুদা ফ্রেন্স লান্মী য়াওনা অতোপ্পা পিছকিপ্পর কয়ামরুম অশোক অপন নংখি। সিক্যুরিটি মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, হিগোক মচুগী হেলমেট উপ্পা মিলিটেন্টশিংনা রোকেট কয়ামরুম কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখি। পোকখায়হন্নবা মচাক থন্না য়াওবা গাড়ী অনী থৌজিল্লকখি। অদুবু শুপ্নগী গাড়ী অমখক পোকখায়খি। অতোপ্পা গাড়ী অমদি যু এন পিছকিপ্পরশিংনা লৈরিবা মফম অদু য়ৌদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা থিংবা ঙমখি।

মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, অশোকপা মীওই মঙাগী ফীভম লুনা লৈরি। থৌদোক থোকফমদা অহেনবা পিছকিপ্পরশিং থাজিন্দুনা ফীভম লাকশিনবা ঙম্লে। মালিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী মতাংদা লৈরিবা যু এন পিছকিপ্পর অমসুং গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংদা তোয়না এটেক চথদুনা লাকখিবনি।

সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, টিম্বক্টু সিটিদা হন্দক চথরক্লিবা এটেক অসিগা মান্নবা মখলগী এটেক অমত্তা মমাঙদা চথরকপা লৈত্রি। কুমজা ২০১৩ দা খুৎলাই পায়বগী ঈহৌ হৌরকখ্রবা মতুংদা যুনাইটেদ নেসন্সনা মালিদা পিছকিপ্পিং ফোর্স থাজিন্দুনা ঈং তপ্পা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মফমশিংদা লান্মী ১১,০০০ অমসুং পুলিস ১,৭৪১ থমদুনা ঈং তপ্পা ফীভম হজ্ঞিনহন্নবা হোৎনরি। চহী ৫ চুপ্পা ঈং তপ্পা ফীভম পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবা যু এনগী লান্মী ১৬২ তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা শিখ্রবনি। চহী অসিগী ওইনসু পিছকিপ্পর তরেৎ শিখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জান্যুৱারি থাদা অলকাইদানা চথরকখিবা এটেক অমদা মালিগী লান্মী ১৪ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১৮ অশোক অপন নংখিবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মালিগী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম বোপাকার কিটানা ইথিওপিয়াগী কোনুং অদিস অবাবাদা অফ্রিকান যুনিয়নগী মীফম অমা য়াওনবা থৌরাং তৌরম্বদগী তোকপা তাখি।

মালিয়ন মিলিটরিগী সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, নুমীৎতুদা মিলিটেন্টশিংনা আর্মিগী মরুওইবা বেজ অমা ঙাইহাক খুদম চন্দুনা থমখি। অদুবু মতম খরগী মতুংদা মিলিটেন্টশিং মফম অদুদগী তকথোকপা ঙমখি।

মমাঙ থাদসু মালিগী সেন্ট্রেল মোপটি রিজন্টতা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা যু এন পিছকিপ্পর মরি শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মরি অশোক অপন নংখিবনি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মালিয়ন আর্মিগী পার্সোনেল তরুক শিখ্রবা মতুংদা মিলিটেন্টশিংনা যু এন পিছকিপ্পরশিংদা এটেক চথরকখিবনি।

রসিয়ানা যুনাইটেদ নেসন্সকী ৱারেপ লৌহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে

যুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ১৫ : কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখি হায়বগীদমক সিরিয়াগী মথক্তা যুনাইটেদ ষ্টেট, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা নোংথক্তগী এটেক চথবগী থৌওং কন্দেম তৌনবা যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী ৱারেপ অমা রসিয়ানা লৌহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে।

রসিয়ানা হায়জবদগী মেম্বর ১৫ লৈবা যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা সিরিয়াগী দোমা টাউন্দদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা পোইজন গ্যাস এটেক চথখিবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে।

যু এনদা রসিয়ান এম্বেসেদর ওইনা লৈবা ভেসিলি নেভেঞ্জিয়ানা হায়খি, যুনাইটেদ ষ্টেট, ফ্রান্স অমসুং বৃটেননা সিরিয়াদা চথখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌনবা ৱারেপ লৌফম থোকই। শুপ্নগী অহিং অমখক্তা মিসাইল ১০৫ কাপশিন্দুনা মরাল লৈজদবা মীচম কয়া অৱাবা তাহনখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌগদবনি।

পনবা য়াবদি, গ্লোবেল কেমিকেল ৱেপন্স ৱাটস দোক্কী ইন্টর্নেসনল ইনভেষ্টিগেটরশিং সিরিয়াদা চৎতুনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা গ্যাস এটেক চথখি হায়বা ৱাফম অমা থিগৎপা হোৎনরিবনি। রসিয়া অমসুং সিরিয়ানদি কেমিকেল ৱেপন্স শীজিন্নখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, যুনাইটেদ ষ্টেটস, ফ্রান্স অমসুং বৃটেননা মালেমগী চৎন-কাঙলোন থুগাইদুনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিবগীদমক সিরিয়াগী মথক্তা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক চথবনি হায়না ফোঙদোকখি। সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা, যু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা মরী লৈনবা পুম্নমক য়ারিবমখৈ খোঙফম হজ্ঞিনবীনবা আপিল তৌখি। রসিয়ানা যু এস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সকী থৌওং কন্দেম তৌনবা ৱাফম পুখৎলকপদা লৈবাক নিপালনা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। পেরু, কজখষ্টান, ইথিওপিয়া অমসুং ইক্বেটোরিয়েল গিনিয়াদি ভোট পীবা য়াওখিদে। যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী ৱারেপ অমা লৌবদা তঙাইফদনা লৈবাক ৯ না শৌগৎপা মথৌ তাই। করিগুম্বা লৈবাক ৯ না শৌগৎলকপা তারবসু ভিটো পৱার পায়বা রসিয়া, চাইনা, ফ্রান্স, বৃটেন নৎত্রগা যুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথিংবা পীরক্লবদি ৱারেপ লৌবা ঙমদে।

অঙীং-অশাগী খল কায়রকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মশা মথন্তা শিজখ্রে

ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১৫ : (এজেন্সী) অঙীং-অশাগী খল কায়রকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা শক্লইরবা যুনাইটেদ ষ্টেটসকী উকিল অমা ন্যু য়োর্কতা মশা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজখ্রে।

মশাগী চহী ৬০ শুখ্রবা দেবিদ বকেলগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ব্রুকলিনদা লৈবা প্রোস্পেক্ট পার্কতা থেংনখি। মনাক্তা তারম্বা চেজেৎ অমদা মহাক্লা মালেমদা অঙীং অশাগী খল কায়রকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মশা মথন্তা মৈ থাদুনা শিজবনি হায়না ইরম্বা থেংনখি। ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়ামরুম মনুং মতম চাদনা শিবগী মতাংদা মহাক্লা ৱাফম কয়াসু সুইসাইদ নোটতা ইরমখি।

অমরোমদা, যুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, অঙীং অশাগী খল কায়রকপনা নুপী ওইবীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। নুপাগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা নুপী চাদা ৮০ রোম অঙীং অশাগী খল কায়রকপনা তোঙন তোঙানবা মখলগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্ল হল্লকপা য়াই হায়রি। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, সেন্ট্রেল অফ্রিকাদা চেদ পাৎকী শরুক অয়াম্বা মাংখিবগা লোয়ননা থৱায় পানবা কয়ামরুম খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। কুমজা ২০১৫ গী পেরিস এগ্রিমেন্টতা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম য়াওখিবনি।

Government Recognised Hospital for Treatment Various Heart Diseases
SKY HOSPITAL & RESEARCH CENTRE
Providing the Ultimate Heartcare in Manipur
IMPHAL WEST - 795001
- STAFFS REQUIRED URGENTLY -
If you are talented and looking for a World Class Heart Hospital then don't delay, apply today for the following posts:

Sl. No.	Name of Post	Qualification	Min. Experience	No. of Post
1	RMO	MBBS	3 Years	2
2	Senior HR Manager	MBA/ Equivalent	3 Years	1
3	HR Executive	MBA/ Equivalent	2 Years	1
4	Marketing Executive	Graduate / Equivalent	2 Years	2
5	CTVS ICU Nurse	B.Sc. Nursing / GNM	2 Years	3
6	ICU Nurse	B.Sc. Nursing / GNM	2 Years	2
7	CTVS OT Nurse	B.Sc. Nursing / GNM	2 Years	2
8	Pharmacist	D.Pharm / B.Pharm	2 Years	2
9	Receptionist	Graduate / Equivalent	1 Year	1
10	Medical Attendant cum Security	10th Pass	1 Year	2

Pay & Perk : Your asking salary
Last Date: 20th April, 2018 | Date of Interview: 23rd April, 2018 | Contact HR +91 8415938204 | Email: hr@skyhospitals.com
HL-B/4568/16

ꯁꯂꯥꯏ ꯍꯣꯜꯗꯤꯡꯁ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯕꯦꯠ ꯂꯤꯃꯤꯇꯦꯗ
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West,
Manipur-795001, India
RECRUITMENT NOTICE
Salai Holdings Pvt. Ltd. requires the service of qualified person for its various subsidiary units to fill the following positions :

Sl. No.	Unit	Name of Post (s)	No. of Post(s)	Qualification	Desirable	Salary
1	SALAI Infotech	Content Writer	1	M.A. (English)	Min. 2 yrs. experience in technical content writing	1.0 - 1.2 Lpa
		UI Designer	1	Graduate in Computer Science/M.Tech./MCA	Min. 2 yrs. experience in web design and development in HTML, CSS3, Java script, Bootstrap Framework, PHP, MYSQL and Angular JS.	1.2 - 1.4 Lpa
2.	SAFINS	MRO Langjing - 2 Lamlong - 2 Kongba - 2 Ningthoukhong - 3	9	Graduate	Min. 2 yrs. experience in microfinance - field work	1.0 - 1.2 Lpa
		Accountant Kakching	1	B.Com/M.Com	Min. 2 yrs. relevant experience	1.2 - 1.4 Lpa
3.	SMART Society	Field Officer	3	Graduate	Min. 1 yr. experience in NGO sector	0.7 - 0.9 Lpa
		Programme Supervisor (Handloom)	1	PG in fashion and textile engineering	Min. 3. yrs. experience in relevant field	1.2 - 1.4 Lpa
		Designer	1	Diploma / Graduate in fashion designing	Min. 2. yrs. experience in relevant field	1.0 - 1.2 Lpa
		Admin Officer	1	PG/MSW	Min. 6 yrs. experience in NGO	1.8 - 2.0 Lpa
4.	SALAI Tours & Travels	Accountant	1	B.Com / M.Com	Min. 2 yrs. relevant experience with good hands on knowledge of Tally	1.2 - 1.4 Lpa
5.	SALAI Energy Solutions	General Manager	1	B.E. (Electrical & Electronics)	Min. 5 yrs. experience in relevant field	2.4 - 3.0 Lpa
6.	SMART Medicos	Sales Executive Imphal West	4	D. Pharm / B. Pharm	Male candidate with min. 2-3 yrs. experience in pharmaceutical sales	0.7 - 0.9 Lpa

Application (plain paper/neatly typed) with resume, two passport photo and all supporting documents should be submitted on or before 18th April 2018, at HRD Office: Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West. Interview date will be notified personally.

Sd/-
Secretary, Human Resources Department
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.
HL-P/1026/14,16

ꯍꯥꯃꯦꯡ/হামেং অমা চঙলক্লে

হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১২, শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা হামেং লাবা অমা ঐগী যুমদা চঙলক্লে। মরম অদুনা মপূ অশেংবনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা মতিক চাবা প্রমান পীবিরগা লৌখিবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ নীনিসিগী মতুংদা লাকপা কমপ্লেন লৌজরোই।

পাউজেঞ্জরিবা :- কৈথেল্লাকপম অজিৎ সিংহ
উৎলৌ হৈবী মখোং
HL-P/1030/16
#৯৬১২৪১৭৩২২

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST, LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 354/SDC/IW-L/ 2018

1. Ningthoujam Juboti Devi, D/o (L) Tomchou Singh of Phayeng Sabal Leikai
2. Ningthoujam Merajao Singh S/o. (L) Tomchou Singh of Phayeng Sabal Leikai
3. Ningthoujam Rameshor Singh, S/o. (L) Tomchou Singh of Phayeng Sabal Leikai

...Petitioners

-Vs-

(Late) Ningthoujam Tomchou Singh, S/o. (L) Madhab Singh of Phayeng

...Op/Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯕ/NOTICE

The 04/4/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার নিংথৌজম তোমচৌ সিংহ পীতা মৃ: মাধব সিংহ সাং ফয়েংগী মিংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ২০১, দাগ নং ১০৭৮ গী এরিয়া ১.৩০ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্তজরগনি।

HL-P/1027/16

Sd/- **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Lamsang

BEFORE THE OATH COMMISSIONER, IMPHAL WEST, MANIPUR

AFFIDAVIT

I, **Seram Shantibala Devi**, Date of Birth 16-11-1946, wife of **Yumnam Iboyaima Singh**, a resident of Sega Road Konjeng Hajari Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur-795001 (India) do hereby take oath and solemnly affirm as follows:-

1. That, I am a law abiding citizen of India having a permanent resident at the above mentioned place. This is true to the best of my knowledge.
2. That, I am the Indian Passport Holder being No. G6528335 issued by Regional Passport Office, Guwahati. This is true to the best of my knowledge.
3. That, due to bonafide mistake at the time of form fill-up of the said Indian Passport, my name has been recorded as **Seram Yumnam Shantibala Devi** instead of **Seram Shantibala Devi** which is recorded in my Aadhaar Card being No. 205731277652. This is true to my knowledge.
4. That, I would like to rectify my name as **Seram Shantibala Devi** in the said Indian Passport so as to avoid any complicacy in future. This is true to my knowledge.

Verified that the contents of the above para No. 1 to 4 of this Affidavit are all true to the best of my knowledge, it conceals nothing and I swear this Affidavit on this 13th day of April, 2018 at Imphal.

By: Advocate

Signature of the Deponent
Seram Shantibala Devi

Y. Sanatomba Meete
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur
HL-P/1034/16